Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

অমজুনা শীন্দুনা পাউমীশিং অয়েৎপা অপনবা য়াওদনা নীং-তম্না থবক তৌহল্লু হায়বা ৱাকৎ থাঙ্গৎলদুনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম অমা

জি জিতেশ্বর অমসুং অতৈ মীওই মরিগী মীহাৎ থিগৎপীনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না লাইরেনকাবীদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম

জেনরেল নোর্থ ইষ্ট সর্কল শিল্লোং, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিস মণিপুরনা শীন্দুনা আই পি পি বি ইম্ফাল ব্রাঞ্চ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম

এক্সপ্লোর বিষ্ণুপুর এপ্ কৌবা এপ্লিকেসন অমা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লোঞ্চ তৌবগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.160 নোংমাইজিং, থৱান ২২ নি পানবা, অপুনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, September 02 , 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল অমসুং দিজল থাউগী মমল নুমিদাং অথেংবা ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি।

কাপ্নবদা জেদ য়ু এফকী কাদর ১ শিরে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১: নোনে দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা খৌপুম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নোংনাং খুলদা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এন এস সী এন (আই-এম) অমদি জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ)কী কাদরশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবদা জেদ য়ু এফকী কাদর অমা শিরে, অমনা শোক্লে হায়রি। লৈখিদ্রবা জেদ য়ু এফকী কার্দর অদুগী মমিংনা গাইলুনপৌ রিঅমৈ কৌই। মহাক্কী লৈফম্না টমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী অজুরাম খুলনি হায়রি। অশোকপদুগী মমিংনা গাইহাইপৌ কামৈ কৌই। মহাক্কী লৈফম্না খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সুবোং (লৈশোক) খুলদা লৈবনি হায়রি।

দ্রগ লল্লোনবা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১: ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী টিমনা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন মখা লৈকায়দা থিবা-হুস্নবগী থবক চথবদা হেরোইন, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অমদি লুপা লাখ ১২.০৫গা লোয়ননা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু ক্ষেত্রি বেঙ্গুন মখা লৈকায়দগী এম দি অব্দুল সলাম (৭২)নি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩০.৪৪ °C	২৩.৭৫ °C
চান্দেল	৩০.৩১ °C	১৯.৯২ °C
সীসীপুর	২৭.২৫ °C	২১.১০ °C
ইম্ফাল	৩২.৯৯ °C	২২.৯৫ °C
সেনাপতি	২৯.৮৭ °C	১৭.৫২ °C
তমেংলোং	২২.৬২ °C	১৯.৫৪ °C
থৌবাল	৩২.০০ °C	২২.২৬ °C
উখ্রুল	২৪.৫৯ °C	১৬.৬৪ °C
মণিপুর	৩২.৯৯ °C	১৬.৬৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৩.৩৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	82.195761
US Dollar	70.817244
British Pound	91.764134
Australian Dollar	50.947614
Chinese Yuan Renminbi	10.369187
Japanese Yen	0.638172
Malaysian Ringgit	17.215918
Norwegian Krone	8.445077
Singapore Dollar	51.617506
South Korean Won	0.063508
Swedish Krona	7.731351
Turkish Lira	10.842283
Myanmar Kyat	0.04682
Bangladesh Taka	0.84527

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30855.61
Mumbai	–	Rs 31732.62
Delhi	–	Rs 31497.33
Kolkata	–	Rs 31807.49

HL POLL

Q : BJP gi chungsinnabada NEIDP yaobana Lok Sabha Election da NEIDP ki meerep thadoklaroi louba yarabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Army/ AR gi aronba meehat ki langla langjil puthoknaba meeyamgi wakatsi leingakna tagani khanbra?

Yes 18% No 82%

অস! লোইরেহে!

সার, পান্দে লাকখ্রে, এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ২ শুরে...!



ঐদি দশা য়েংদ্রসু য়ারে...!

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী অনী, রেজিষ্ট্রার অনী শুরে

ইনক্কারি হৌদ্রিঙৈদা পান্দে ভি সীগী থবক হঞ্জিল্লে হায়বা চে থাদোরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১ (ঐচ এন এস): রিটাইয়র্দ চীফ জষ্টিস টি নন্দকুমারনা চ্যেরমেন অমসুং তেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটাইয়র্দ ভি সী, এম কে চৌধুরিনা মেম্বর ওইদুনা য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক থিগৎননবা শেমখিবা কম্মিটি থবক হৌদ্রিঙৈদা ছুটি পীথোকখ্রবা ভি সী অদ্য প্রসাদ পান্দে ভি সীগী থবক থৌরম তৌবা হৌরে হায়না মশামক্লা খূৎয়েক পীবা চেরোল থাদোরকখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ইনক্কারি অসি হৌননবা খঙহনখ্রবসু মেম্বর ওইরিবা এম কে চৌধুরি মশাগী ওইবা থবক খরনা মরম ওইরদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা ইনক্কারি চথবা ঙমখিরোই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওঠোরিটিদা খঙহল্লকখি। অদুবু, অচিনবা কয়া লৈরগসু তঙাইফদনা অথুবগী ওইনা ইনক্কারি তৌবদা য়াওবীনবা য়ুনিভর্সিটি ওঠোরিটিনা হায়জবদগী য়ারক্তুনা থা অসিগী ৬ তা ইম্ফালদা লাক্নবগীদমক ফ্লাইট টিক্কেট থাখিবা লৈখ্রবনি।

অসিগুম্বা তানফম অসিদা ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা ইম্ফালদা থুংলখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অদ্য প্রসাদ পান্দেনা মণিপুরগী দি জি পিদা মহাক এম য়ুদা চৎননবগীদমক তঙাইফদনা চঙবা এস্কোর্ট পীবীনবা হায়জরকখি। অদুবু, ৱাথোক অসি অরায়বা অমা নৎতবনা চীফ মিনিষ্টরগা অমুক্তং হান্না উনরগা করি লৈবগে হায়বদু তানবীনবা দি জিনা খঙহনখি হায়রি।

প্রো. এ পি পান্দেনা মহাক ভি সীগী থবক হঞ্জিল্লে হায়না মশামক্লা খূৎয়েক পীরগা চেরোল থোক্লগসু ঙসিগী ওইনা মহাক য়ুনিভর্সিটি অসিদা লাকখিদে। ইনক্কারি চথবগী প্রোসেসতা লৈরিবা মরম্না মায়কৈ অহুমগী য়ানখিবদা এ পি পান্দে ছুটিদা লৈরি হায়না লৌফম থোকপনি। অদুবু, মহাক্লা থবক্তা হঞ্জিল্লে হায়রবনিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অনী শুরে হায়না মীয়াম্না ফোংনা ঙাংনরক্লে।

প্রোফেসর পান্দে মশানা খূৎয়েক পীদুনা থাদোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মহাক সেপ্তেম্বর ১ দগী হৌনা হান্নগী মতৌগুম এম য়ুগী ভাইস চান্সেলর ওইনা থৌ পুবা হৌরে হায়রি। প্রোফেসর পান্দেনা থোকখিবা অতোপ্পা ওফিস ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ওগষ্ট ২৩ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমা চৎনহন্দবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোস দেভলপমেন্টকী য়াথং মতুং ইন্না প্রোফেসর এম শ্যামকেশোনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ওইনা খুদক্তগী থৌ পুরগনি হায়রি।

অমরোমদা রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ, প্রোফেসর দোরেন্দ্রজিৎনা থোকখিবা ওফিস ওর্দর অমনা হায়, ওগষ্ট ২ দা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা পীরকপা য়াথং মতুং ইন্না ভাইস চাঞ্চেল্লর, প্রোফেসর এ পি পান্দেবু ওগষ্ট ২ দগী পারগা থা অমা ছুটি পীরে। মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি য়ুনিয়ন (মুসু), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন (মুসা) অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)না খূৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট (এম ও এ) য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরে। হন্দক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেস রিছোর্স দিভলপমেন্টকী ওফিসতা চৎলুবা ভি সী ইন-চার্জ, প্রোফেসর দল্লিয়ু বিশ্বনাথতসু ৱাফম অসি খঙহল্লক্লে। খূৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্টকী ক্লোজ দি দা ইনক্কারি চথরিঙৈ অমসুং ইনক্কারিগী রিপোর্ট পীখৎলক্লগা ওঠোরিটিনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলক্লিফাওবা প্রোফেসর পান্দে ছুটিদা লৈগনি হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা পল্লি। ওর্দর থোকখিবা নুমিৎ ওগষ্ট ১৭ তগী পারগা থা অমগী মনুংদা ইনক্কারি কম্মিটিগী রিপোর্ট পীখৎলক্নি হায়বা ৱাফমসু মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরিনা থোকখিবা য়াথং চে অমনা ফোঙদোকখি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা ইনক্কারি চথরগা ...মখা লামায় ৩ কলমত

ষ্টেট অসিদা খুৎ-শা হৈবশিং য়োকখৎপা তঙাইফদে : গভর্নর

MISSION FOR ECONOMIC EMPOWERMENT
MEETAC

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১ (ঐচ এন এস): মিসন ফোর ইকনোমিক ইম্পৱারমেন্ট ওফ ট্রেদিসনেল আর্টিসান্স এন্দ ক্রাফটসমেন (মীতাক) গভর্ণরনা ইম্ফাল হোটেলগী শঙাই হোলদা লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দা, নাজমা হেপ্তুলানা হায়, মণিপুরদা খুৎ-শা হৈবশিং য়োকখৎনবা লৈঙাক্লা হোৎনবা মথৌ তাই। মণিপুর অসি মীশীং লাখ ২৮ য়ৌনা তাদ্রগসু খুৎ-শা হৈবা মীগী মশীং অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। অদুনা ষ্টেট অসিদা খুৎ-শা হৈবগী পোৎথোকশিং য়োকখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। লৈঙাক্লা খুৎ-শা হৈবশিংগী মতেং পাংবতা নত্তনা চাউখৎপা পুন্সি মহিং পীবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি।

মহাক্লা হায়, ষ্টেট অসিগী পোটেসিএল মরাং কায়না লৈ। ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা থবক শুবা নোম্বগী হৈনবী নীংথিনা লৈরবদি ষ্টেট অসি চাওখৎপা পুরক্নি। খুৎ-শা হৈবগী লম অসিদসু স্কুলগী করিক্যুলমদা ট্রেনিং পীবা হৌবা মথৌ তাই। মহাক্লা তৌখিবা চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পল্লদুনা মহাক্লা হায়, ষ্টেট অসিদা ফ্লাইয়িং দোক্তরগী প্রোজেক্ট হৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি দোনর মিনিষ্ট্রিদা লুপা ক্রোর ২৫ কায়থনবা হায়জখ্রে। লোয়ননা মহাক্লা মথংদা তৌগে হায়না খনবসি ষ্টেট অসগী টুরিজম চাওখৎনবগীদমক লোক্তাক পাৎ অসিদা মীৎয়েং থল্লি। টুরিজম চাওখহনগে হায়রগদি লমকোইবশিংগী পুক্লিং চিংশিনবা য়াবা মফমশিং খঙবা মথৌ তাই। ঐখোয়গীদি ফজখ্রবা মমিং লৈরবা লোক্তাক পাৎ অমা লৈরি। পাৎ অসিদা টুরিষ্টশিং পুক্লিং চিংশিনবা য়াবা ৱাটর স্পোর্টনচিংবা কয়া শেমগৎ-শাগৎপা য়ারি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর রোদ, ট্রান্সপোর্ট, সিপ্পিং এন্দ হায়ৱেজ নিতিন গাদকারিবু ষ্টেট অসিদা লাক্লুবা ইনভাট তৌদুনা ষ্টেট অসিগী নেসনেল হায়ৱেশিং য়েংশিলহনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবদা থবক অমা তৌবা হায়বসি মতম চঙই। ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা মীটাক অসি ষ্টেট অসিগী খুৎ-শা হৈবশিং য়োকখৎপা য়াবা থৌশিল পায়খৎনবা গভর্ণরনা হৌদোকপা ৱাখল্লোন্নি। গভর্ণর অসি মণিপুরগীদমক য়াম্না খনবা মীশক্নি। মহাক্কুম্বা গভর্ণর অমা ষ্টেট অসিদা লৈবা হায়বসি ষ্টেট অসিগী লাইবক ফবনি।

মহাক্লা হায়, মণিপুর অসি পোটেন্সিএল য়াম্না লৈবা ষ্টেটনি অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওইশিসু য়াম্না হৈথোই-শিংথোই। মখোয়দা খুদোংচাবা পীরগনি হায়রিবা পোটেন্সিএল অমসুং টেলেন্টশিং অসি ষ্টেট অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি। ষ্টেট অসিদা লৈজরিবা পোথোকশিংনা হিংজবা য়াবা ষ্টেটনি। অতোপ্পা ষ্টেটতগী তাংদুনা অদুম হিংগনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোক্লসি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা বন্দ অমদি ব্লোকেদ তৌবগী হৈনবী থাদোক্লসি। ফিভম ফবা ষ্টেট অমা ওইহনসি। বন্দ ব্লোকেদ তৌবগী চৎনবী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইন্দিয়া পোষ্ট পেমেন্ট বেঙ্ক লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী টাল্কাতোরা ষ্টেদিয়মদা নেসনৱাইদগী ওইনা ইন্দিয়া পোষ্ট পেমেন্ট বেঙ্ক (আই পি পি বি) লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা ষ্টেটসিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ইম্ফালদা আই পি পি বি ইম্ফাল ব্রাঞ্চ লোঞ্চ তৌখ্রে।

চীফ পোষ্টমাষ্টর জেনরেল নোর্থ ইষ্ট সর্কল শিল্লোং, ওফিস ওফ দি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিস মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা আই পি পি বেঙ্ক ইম্ফাল ব্রাঞ্চ লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা দেপ্যুটি সী এম য়ুম্নাম জয়কুমারনা হায়খি, আই পি পি বেঙ্ক লোঞ্চ তৌরকপা অসিনা মীয়ামদা বেঙ্কিং সর্ভিসতা খূদোংচাবা কয়া পীরগনি। আই পি পি বেঙ্কতা দোরষ্টেপ সর্ভিস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা খূদোংচাবা কয়া লাক্কদৌরি। মীচম মীয়ামদা বেঙ্কিংগী সর্ভিসকী খূদোংচাবশিং নীংথিনা ফংহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা দিজিটেল ট্রাঞ্জেক্সন অমদি দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর নীংথিনা চৎনবা য়ানবা মীৎয়েং চঙলি। দিজিটেল ট্রাঞ্জেক্সন মপূং ফাহন্নবগীদমক নেটৱার্ক ফগৎহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ষ্টেটসিদা বি এস এন এল য়াওনা মোবাইল টেলিকোম সিষ্টেম কয়ানা ইন্টরনেট অমদি নেটৱার্কিংগী ওইবা হীরম কয়াদা থৌদাং কয়াসু লৌরিবনি।

ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াদা বেঙ্ককী খূদোংচাবা নীংথিনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ইম্ফাল ময়োলদা নিল খোংবা অমসুং নুংশিৎ শেংদবগী চাং খূদোংথীনিংঙাই ওইরে : রাধাকিশ্বর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (এম পি সী বি)না ইম্ফাল ময়োলগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা নিল-খোংবা, নুংশিৎতা মোৎশিনবগী চাং য়েংবগী থবক ঙসিদগী হৌবা মতমদা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা ওনবদা পর্মিসিবল লিমিটতগী হেনবা থেংনরে হায়না এম পি সী বিগী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি সী বিনা থা অসিগী ১৭ ফাওবা ইম্ফাল ময়োলগী মফম কয়াদা চথুগদবা নিল-খোংবা অমদি নুংশিৎতা মোৎপগী চাং টেষ্ট তৌবগী অহৌবা ওইনা ঙসি কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা টেষ্ট তৌখি। এম পি সী বি মোনিটরিং টিমশিংনা নুংশিৎতা মোৎপগী চাং, নিল-খোংবগী চাং অমদি গাড়ীদা মৈখু চেনবগী চাং চেক তৌখি।

চেক তৌখিবা অদু এম পি সী বিগী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বরনা লোয়ননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, এম পি সী বিনা ঙসি কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা টেষ্ট তৌবা মতমদা নিল খোংবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংলে। কম্মর্সিএল এরিয়াদা নোর্মেলদা দেসিবেল ৬৫ লৈগদবদু কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা দেসিবেল ৭৫.৪ য়ৌরে। মসি পর্মিসিবল লিমিটতগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

এন পি পিনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌগনি : ৱাই জয়কুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌগনি, ইস্যু খূদিংমক থেংনগনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা শীন্দুনা কুকি ইনদা ঙসি পাঙথোকখিবা লোক সভাগী স্পিকর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা পি এ সংমাগী ৭১ শুবা বর্থ এনিভর্সরিগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দেপ্যুটি সী এম, ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা নেসনল পোলিটিকেল পার্টিশিংগা এন পি পিগা খেন্নবা কয়া লৈ। মরুওইবা নেসনল পার্টিশিংগী ওইনদি হায় কম্মান্দগী য়াথং ঙাইদুনা থবক তৌবনা অয়াম্বনি। হায় কম্মান্দশিংনা দিল্লিদা ফম্লগা কন্ট্রোল তৌবনি। অদুবু এন পি পিদি অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা লুচিংবশিংনা হায় কম্মান্দ ওইবা পার্টিনি। মরম অসিনা পার্টি অসিনা মতম পুম্বদা মণিপুর অমদি অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফননবা হনবা লৈতনা হোৎনগনি। মসিদসু নৎতনা অৱাং-নোংপোক লমদমদা থেংনরিবা ইস্যুশিং অসি অমত্তা ওইনা পূন্না থেংননবা হোৎনরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, এসেম্লি মীখলদা ষ্টেট অসিদা এন পি পিগী মীরেপ ১৫ রোম্না মীখল থেংনবদা মরিখক মায় পাকখি। মায় পাক্লকখিবা মীহুৎশিং অদু ঙসিদি লৈঙাক পায়বদা য়াওরি। মখা লামায় ৩ কলম ২

মণিপুরগী দ্রাফট ফোটো ইলেক্টোরেল রোল ফোঙখ্রে

মণিপুরগী ভোটর লাখ ১৯.৬২ য়ৌরে, লোক সভা মীখলদা ভিভিপেট শীজিন্নগনি : সী ঈ ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): মণিপুরগী এসেম্লি ৬০গী দ্রাফট ফোটো ইলেক্টোরেল রোল ঙসি মরী লৈনবা ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসরশিংনা ফোঙখ্রে। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা এ সী অয়াম্বদা ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভিভিপেট) শীজিন্নগনি হায়না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) মণিপুর পি কে সিংহনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা সী ঈ ওগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা পি কে সিংহনা হায়খি, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লেপ্লকপা মতমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০গী দ্রাফট ফোটো ইলেক্টোরেল রোল ঙসি ফোঙলে। মীয়াম, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংনা মরী লৈনবা ঈ আর ও অমদি এ ঈ আর ওশিংগী ওফিসতগী ফোটো ইলেক্টোরেল রোল অসি চেক তৌবা য়াগনি।

ঙসি পুথোকখিবা দ্রাফট পব্লিকেসন অসিগী মতুংইন্না মণিপুরগী অপূনবা ইলেক্টর মশীং অসি নুপা ৯,২৮,৮৫৭, নুপী ৯,৭৭,৩৯২, পূন্না ১৯,০৬,২৪৯ নি। ইম্ফাল ইষ্টতা ইলেক্টর ২,৯৭,৫৮৩; ইম্ফাল ৱেষ্টতা ইলেক্টর ৩,৫৩,২৬৮; বিষ্ণুপুরদা ইলেক্টর ১,৬৯,৩৯৬; থৌবালদা ইলেক্টর ৩,০২,০৩৩; জিরিবামদা ইলেক্টর ২৬,৯৩২; চান্দেলদা ইলেক্টর ৯১,৬৮১; উখ্রুলদা ইলেক্টর ১,১৩,৯৭৩; সেনাপটিদা ইলেক্টর ২,৬১,৪৯০; তমেংলোংদা ইলেক্টর ৯৪,৮৯৬ অমসুং চুড়াচান্দপুরদা ইলেক্টর ১,৯৪,৯৯৭ নি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ষ্টেট অসিগী এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অয়াম্বদা ভিভিপেট শীজিন্নগনি। হীরম অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কয়াসু মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্কনি। স্পেসল সমরি রিভিজনসু ঙসিদগী হৌরগনি। চহীসিগী ওক্টোবর ৩১ ফাওবা সমরি রিভিজন তৌগনি। মসিদা হাপ্পীংবা, শেমদোক্লীংবা কয়া শেমদোকপা য়াগনি। আই এম রেদি হায়না মিংথোনবা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অমসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

য়ু এন সীগা ১০রকশুবা মায়কৈ ৩গী ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১ (ঐচ এন এস): সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা ঙসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট, মণিপুর লৈঙাক অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাওন্সিল (য়ু এন সী)গী ট্রাইপর্টাইট টোক পাঙথোকখ্রে।

নাকল অহুমগী ওইবা ৱারি শান্নবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখানলিয়ন, পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং মিনিষ্টর এল দিখো অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা শরুক য়াখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোথ ইষ্ট) সত্যান্দ্র গার্গ, মণিপুর লৈঙাক্কী রেভেন্যু সেক্রেটরি টি রঞ্জিৎ, ট্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হীলসকী সেক্রেটরি অথেম মুইভা, য়ুনাইটেদ নাগা কাওন্সিলগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ, জেনরেল সেক্রেটরি এস মিলন, ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জোসেফ অদানি অমসুং নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট আশা ৰুংনামনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, মাঙদা তারিবা মরু ওইবা ৱাফম খরনা মরম ওইরগা মণিপুর লৈঙাক্লা ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা খুদক্কী ওইবা ৱাফম অমত্তা পুখৎলকপা ঙমখিদ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মতম খরা পীবিনবা হায়জরক্লে। ষ্টেট লৈঙাক্লা য়ু এন সীগী পুক্লিং ইথিল চপ চানা খঙবগা লোয়ননা দিসেম্বরগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদবা মথংগী মীফমদা চপ চাবা থৌরাং অমা পুখৎলক্লগানি।

TRIPARTITE TALKS

পনবা য়াবদি, মীফম অসি মণিপুরদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবা লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ু এন সীনা অকিবা ফংলবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ কৌখ্রবা তুংদা লৈঙাক অসিনা ৱারোইশিন পুরক্লুবা ট্রাইপর্টাইট টোক চথুবা হৌখিবনি।

পাউমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১ (ঐচ এন এস): মিদিয়া হাউসশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিংদা লৈঙাক্লা প্রেসর পীবগী মতাংদা ইন্দিয়ন জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা ওগষ্ট ১৮ অমসুং ১৯ দা পাঙথোকখিবা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবগুম মণিপুরদসু অমজুনা শীন্দুনা কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকাইদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা 'মিদিয়াগী নীংতম্বদা শীংনগনু, পাউমী হাৎপা লেপ্পু অমসুং পি সী আইদা ওটোনোমি পীয়ু'' হায়বনচিংবা ৱারোলশিং ইবা প্লে কার্দশিং পায়খি।

Aptech LEARNING
Unleash your potential
IMPHAL CENTRE
YAIPHAKOL Building
Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528
Available Courses
Air Hostess (Cabin Crew)
Airport Ground Staff
Travel & Tourism Management
Hospitality Mgmt.
SPOKEN English (Speech, interaction).
Certified COMPUTER Courses.
MS Office, C, C++ programming.
Website Development (HTML5/php).
FACILITY :
In-house Airport Operation Training
Lowest FEE
Get TRAINED & Get HIRED
Our Potential Recruiter :
JET AIRWAYS
30 Years of experience | 40 Countries
Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality
HL-B/4789/10/8-8/09 (Alt.)

LOAN AVAILABLE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
Vehicle Loan
Pension Loan
Service Loan
T.V. Loan
100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokbobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-P/5255/21/08-20/09

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫